# ৩শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট
## মণিপুর থাংজিং মায় পাকখ্রে, মণিপুর মার্জিংগা য়ু এস এগা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
মণিপুর সরকরগী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা শিল্লগা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন (অম্পা)না টেক্নিকেল সপ্পোর্ট পিরগা লৈবাক ৪গী টিম ৬না পুল ২ থোক্না খায়দোক্তুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱুমেন্স পোলো টুর্নামেন্টদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মণিপুর (থাংজিং)না ইন্দিয়ান পোলো এসোসিয়েসন (আই পি এ)বু পানজল ৬–১দা থোইখ্রে অমদি অনিশুবা মেটচতা মণিপুর মার্জিংগা য়ু এস এগা পানজল ৩–৩দা দ্রো চৎখে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০দগী হৌদুনা আই পি এ অমদি মণিপুর (থাংজিং) টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচ হৌবা কুইদ্রিঙৈ অহানবা চক্করগী মিনট ০.৫৩ চৎপদা মণিপুর (থাংজিং)গী নীলু আর কেনা পানজল ১ চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংবগা লোয়ননা আই পি এদগী পানজল ১ মাংজিল থানা লৈখি।

ইকান কান্নদনা আই পি এগী জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্তেন মোনিকা সক্সেনানা পানজল হন্দোক্তুনা পানজল ১–১দা মান্নহনবা ঙম্লবসু মণিপুর (থাংজিং)গী জর্সি নম্বর ১ থৌদাম তানানা অশুিবা চক্করগী মিনট ৭.১৭, অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৫.৫৮ অমদি মরিশুবা চক্করগী মিনট ৩.৩৪দা পানজল ৩, জর্সি নম্বর ৩ টিম কেপ্তেন খুন্দোংবম হবেনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ১.২৫দা পানজল ১ অমদি জর্সি নম্বর ২ খুন্দোংবম দভেন্তিনা মরিশুবা চক্করগী ৫.৫৩দা পানজল ১ চন্দুনা টিম অসিগী অপুনবা পানজল ৬ চনবা ঙমদুনা আই পি এবু মায়থিবা পিখি।

ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা য়ু এস এ অমদি মণিপুর (মার্জিং)না লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা নাকল অনিমক্না পানজল ৩–৩ চন্নদুনা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুদা য়ু এস গী পানজল জর্সি নম্বর ২ টিম কেপ্তেন ওলিভিয়া ষ্ট্রিঙ্গরনা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ১.৫২দা পানজল ১, জর্সি নম্বর ৩ মারিসা ব্রেল্লসনা অহুমশুবা চক্করগী মিনট ৬.০০ অমদি মরিশুবা চক্করগী মিনট ১.৩৯দা পানজল ২ চনখি।

মণিপুর মার্জিং পোলো টিমগী পানজল টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৩ এন অসাকিরননা অহানবা চক্করগী মিনট ৬.৩০ অমদি অনিশুবা চক্করগী মিনট ৩.২০দা পানজল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১ অসেম রোমাবতিনা মরিশুবা চক্করগী মিনট ৩.৪৮ চৎপদা পানজল ১গা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা আই পি এগা কেনিয়াগা অমদি অনিশুবা মেটচতা অষ্ট্রেলিয়াগা য়ু এস এগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।

# অহানবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮
## ফোর্স ক্ষেত্রিগাও, সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব লংথবালনা শিন্দুনা টিম ২১না শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা হৈবোক টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা মোদেল ক্লব চিংঙামখাবু রন ৪৮দা অমদি অনিশুবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টি সি এম দি সি থোংজুবু রন ১৪৬দা মায়থিবা পিখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২০শুবা ঙসিগী অহানবা মেটচতা মোদেল ক্লব চিংঙামখাগা ফোর্স থাংমৈবন্দগা শান্নখিবা মেটচকী তোচ মোদেল ক্লবনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না খনখি। মদুদা বেট্টিং তৌখিবা ফোর্সনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৪৩ স্কোর তৌখি।

স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা জাল্লিনা বোল ৫৯ মায়োক্লবদা রন ৫৫, কাসিমনা বোল ৩৮দা রন ৪৫ অমদি পর্ভেজনা বোল ১০দা রন ১৪ লৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী ইবোয়াইমনা ৱিকেট ৩, তেজ কুমারনা ৱিকেট ১ অমদি বিজয়কুমারনা ৱিকেট ১গা লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লবনা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৯৫ খক্তমক স্কোর তৌবদগী মেটচ অদু ফোর্সকী মখুত্তা মায়থিহৌখি।

স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা ইবোয়াইমনা বোল ৪১দা রন ২১, বিশ্বরজিৎনা বোল ১৪দা রন ১২ অমদি প্রিয়োব্রতনা বোল ১৮দা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা ফোর্সকী খুর্সিদনা ৱিকেট ৪, কাসিমনা ৱিকেট১, প্রভেসনা ৱিকেট ১ অমদি তাসিফনা ৱিকেট ১গা লৌখি।

মেটচ অদুদা বোল ৫৯ মায়োক্লবদা রন ৫৫ চেনবা ঙমখিবা ফোর্সকী জাল্লিনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দগা টি সি এম দি সি থোংজুগা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা টি দি এম দি সিনা তোচ ঙমদুনা বোল্লিং হান্না খনখি। মদুদা বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯তুরগা রন ১৭৪ স্কোর তৌখি।

স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা নরসিংনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা রন ৫৮, সোভারোনা বোল ২০দা রন ৩৭ অমদি ভিবেসননা বোল ১৪দা রন ১৬ স্কোর তৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা টি সি এম দি সি থোংজুগী সৈতেন্দ্রনা ৱিকেট ৩ অমদি ঙাম্বোইনা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা টি সি এম দি সি থোংজুনা ওভর ১০.৩দা ওল আউৎ ওইরগা রন ২৮ খক্তমক স্কোর তৌবদগী টর্গেট স্কোর য়ৌবা ঙমদবদগী মেটচ অদু মায়থিহৌখিবনি।

টিম অসিনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা ধনস্যামনা বোল ৭তা রন ২ লৌবা ঙমখি।

বোল্লিং তৌখিবা সাইক্লোনগী ভিকাসনা ওভর ৩দা ৱিকেট ৫, রাজেস পাতেলনা ওভর ২দা ৱিকেট ৩ অমদি শ্বানাবনা ওভর ১দা ৱিকেট ২ লৌখি।

মেটচ অসিদা সাইক্লোনগী ভিকাসনা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপা ওইনা হয়েং শান্নগবদা অহানবা মেটচ অমদা পি টি সি সি পাৎসোইগা রেস নগামপালগা অমদি অনিশুবা মেটচতা এস এস য়ু শিংজমৈগা চেম্প খাগেম্পল্লিগা লম্বা থেংনরগনি।

# ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮
## ৱাই অনুপামানা গোল্ড অমদি সিলভর লৌখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১৫ খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮গী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়ার (ইন্দিয়ান রাউন্দ, রিকর্ব অমদি কম্পাউন্দদা এন এস এ য়ুনিৎকী ৱাই অনুপমানা গোল্ড অমদি সিলভর লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী পাঙথোকখিবা জুনিয়ার গার্লসগী মিটর ৫০ প্লস ৫০ কম্পাউন্দদা সাই আর সিগী এম রুপেননা পোইন্ট ৬৭৯ স্কোর তৌদুনা গোল্ড, এ সি ইগী এল দুলিনা পোইন্ট ৬৫৬ স্কোর তৌদুনা সিলভর অমদি ভি এ এ য়ুনিৎকী সুচিত্রা তৌরাংবমনা পোইন্ট ৬৫৬ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

জুনিয়ার বোইজগী মিটর ৫০ প্লস ৫০ কম্পাউন্দদা সাই আর সিগী এস রাজেন্দ্রোনা পোইন্ট ৬১৩ স্কোর তৌদুনা গোল্ড, ভি এ এগী ইর্ৱিন লাইশ্রমনা পোইন্ট ৬৭৩ স্কোর তৌদুনা সিলভর অমদি এ এ সিগী সিঐচ অজয়না পোইন্ট ৬৬৭ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

জুনিয়ার গার্লস মিটর ৭০প্লস ৭০ রিকর্বতা সাই আর সিগী টিঐচ সান্তিনা পোইন্ট ৬১৩ স্কোর তৌদুনা গোল্ড, এন এস এগী ৱাই অনুপমানা পোইন্ট ৬০৩ স্কোর তৌদুনা সিলভর অমদি সাই আর সিগী লুমিলা ফোংসোকনা পোইন্ট ৫৮৪ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

ইন্দিভিজ্যুল জুনিয়ার্স গার্লস রিকর্বতা এন এস এগী ৱাই অনুপামানা গোল্ড, সাই আর সিগী টিঐচ সান্তিনা পোইন্ট ৪ স্কোর তৌদুনা সিলভর অমদি সাই আর সিগী টিঐচ শ্বাসিতানা পোইন্ট ৬ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

মিটর ৭০ প্লস ৭০গী জুনিয়ার বোইজ রিকর্বতা সাই আর সিগী সনামচা পিঐচনা পোইন্ট ৬৩৪ স্কোর তৌদুনা গোল্ড, সাই আর সিগী দব্লিউ লিয়োনর্দনা পোইন্ট ৬২১ স্কোর তৌদুনা সিলভর অমদি ভি এ এগী এম অজিৎনা পোইন্ট ৬২০ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিভিজ্যুল জুনিয়ার বোইজ রিকর্বতা সাই আর সিগী টি সেন মীতৈনা পোসন্ট ৫ স্কোর তৌদুনা গোল্ড, এন এস এগী কেঐচ রোহিৎনা পোইন্ট ৫ স্কোর তৌদুনা সিলভর অমদি এন এস এগী এ কে অমর্জিৎনা পোইন্ট ৭ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

হয়েং পাঙথোক্কদবা গার্লস কম্পাউন্দ ইন্দিভিজ্যুলগী গোল্ড মেদল মেটচতা সাই আর সিগী এম রুপানগা সুচিত্রা তৌরাংবমগা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা সাই আর সিগী মোনিকা দেবিগা এল এ সি ইগী এল দুলিনা দেবিগা লম্বা তৌনরগনি।

বোইজ কম্পাউন্দ ইন্দিভিজ্যুলগী গোল্ড মেদল মেটচতা সাই আর সিগী এস রাজেন্দ্রোগা এ এ সিগী সিঐচ অজয়গা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা সাই আর সিগী ৱেলস টিগা ভি এ এ য়ুনিৎকী ইর্ৱিন লাইশ্রমগা লম্বা তৌনরগনি।

# ১২শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০১৭
## মাম্মা এফ সি, আর এফ সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
ক্যামগৈ য়ুথ পাইয়োনির ক্লব (কে ৱাই পি সি)না শিন্দুনা ফুটবোল টিম ১৭না শরুক য়াদুনা নোক আউৎ বেসিসতা ঙরাংদগী ক্যামগৈ হৈবোং মখোংদা চথরিবা ১২শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মাম্মা এফ সি সগোলবন্দনা আর এস সি থোংজু ক্যামগৈবু গোল ৩–১দা অমদি অনিশুবা মেটচতা আর এফ সি খম্নাম লৈরকনা ঐচ এফ সি হিয়াংথাংবু গোল ৪–১দা থোইখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচতা আর এস সি থোংজু ক্যামগৈ অমদি মাম্মা এফ সি সগোলবন্দ টিম অনিনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাক্লবা মাম্মা এফ সিগী গোল জর্সি নম্বর ৫ সন্দিপনা মেটচকী মিনট ১৪ অমদি ২১ চৎপদা গোল ২ অমদি আর এস সিগী এন মিলনজাননা আউন গোল ১গা চনখি। মায়থিহৌরবা আর এস সি থোংজু ক্যামগৈগী অমত্তা ঙায়রবা গোল জর্সি নম্বর ৮ টিঐচ রোসননা মেটচকী মিনট ২৮দা চনখি।

অনিশুবা মেটচতা আর এফ সি খম্নাম লৈরক অমদি ঐচ এফ সি হিয়াংথাং টিম অনিনা লম্বা তৌনখিবা মেটচতা মায় পাকখ্রবা আর এফ সিগী গোল জর্সি নম্বর ১৪ হেরোজিৎনা মেটচকী মিনট ১৪, ১৬, ৩৫দা গোল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ৭ নবানা মেটচকী মিনট ৪০ চৎপদা গোল ১গা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা ঐচ এফ সিগী অমত্তা ঙায়রবা গোল জর্সি নম্বর ২৩ রবিন্দ্রনা মেটচকী মিনট ২৩দা চনখি।

# ২৯শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮
## এম আর সিগা সি দব্লিউ সিগা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
চজিং ইনাৎ কনবা লুপনা শিন্দুনা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা চজিং কাংজৈবুংদা চথরিবা ২৯শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচ অমদা এম আর সি মাইরেনখোংগা সি দব্লিউ সি এম এল মখাগা দ্রো চৎখ্রে।

এম আর সি অমদি সি দব্লিউ সি টিম অনিনা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনবদা মেটচকী অপিবা মতমদা নাকল অনিমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেটচ অদু দ্রো চৎখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১২দা এম আর সিগী এল ওপেন অমদি মিনট ৩২দা সি দব্লিউ সিগী এস রাজুবু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এল সি দি সি এম এল অৱংগা এল কেঐচ সি সি লংথবালগা লম্বা তৌনরগনি।

# ২৭শুবা কেসি মাল্লিক মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট
## মঙ্গোলোইদ ক্লবনা পিএসজিবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ২৭শুবা কেসি মাল্লিক মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭–১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মঙ্গোলোইদ ক্লব হমরখোলিয়ননা পিএসজি লুংগ্রেজাংবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা মঙ্গোলোইদ ক্লব হমরখোলিয়ন ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা মঙ্গোলোইদ ক্লবনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা পিএসজিনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি অদুবু অহানবা হাল্ফ মমাংদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদনা লৈনখি।

রেফরিনা পিএসজি লুংগ্রেজাংগী শান্নরেই ভিক্কিবু ৪৪শুবা অমদি রহুলবু ৪৭শুবা মিনটতা মঙ্গোলোইদ ক্লবকী শান্নরোই ফিলেমোনবু ৪৪শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা মঙ্গোলোইদ ক্লবকী শান্নরোই ষ্টেভেননা ৫৮শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা একাউন্ট হাংদোকখি। রেফরিনা পিএসজি লুংগ্রেজাংগী শান্নরোই ৱিল্লর সিংহবু ৫৩শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমুক পীখি। অরোইবা মিনটতা মঙ্গোলোইদ ক্লবকী শান্নরোই জেহানা ৮৮শুবা মিনটতা গোল অমা অমুক চন্দুনা মঙ্গোলোইদ ক্লবনা পিএসজি লুংগ্রেজাংবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা অজিজ হায়রদা, এস রাজেস, লেলমিন্থাং অমদি লেলিননা সেন্টর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং ইচেল ক্লব দিবোং অমদি ঐচৱাইসি হমরখোলিয়ন অনীশুবা সেমি ফাইনেল শান্নগনি। অদুগা থা অসিগী ২৯ দা ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

# ত্রেনর অমসুং কোচ ওইনা জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমবু খল্লকপা চাওথোকচনিঙাইনি
## হায়না পেনচাক সিলাট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
চৎলিবা চহিসিগী ওগষ্ট ১৪দগী সেপ্টেম্বর২ ফাওবা জকরটা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস ২০১৮ গী মাঙওইননা টেষ্ট ইভেন্ট এসিয়ান গেমস ২০১৮ হায়না মীংথোনবা ইভেন্ট অসিগীদমক ইন্দিয়া টিমগী খনগৎলবা শান্নরোইশিংবু ত্রেনিং পীনবা ত্রেনর অমদি কোচ ওইনা জুগেশ্বর ক্ষেত্রিময়ুমবু খল্লকপদা লমদম অসিগী ওইনা চাওথোকচনিঙাইনি অমদি মণিপুরগী প্লেয়রশিংগী হেন্না খুচোং চানিঙাইনি হায়না পেনচাক সিলাট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা নুমিৎ ১০ নিগী ইন্দিয়া টিম কোচিং কেম্প অসি মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা ইন্দিয়ান পেনচাক সিলাট ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা পাঙথোক্কদবনি, লোয়ননা কোচিং কেম্প অসিদা মণিপুরদগী নাওরেম বোইনাও সিংহ, হুইদ্রোম বিসান মৈতৈ অমদি থোকচোম মেনকা দেবীসু কেম্প অসিদা শরুক য়াগনি হায়না এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা কেম্প অসি থা অসিগী তাং ২০দগী ফেব্রুৱারি তাং ২ ফাওবা সেক্তা কম্যুনিটি হোল (ইম্ফাল ইষ্ট) তা পাঙথোক্লগনি হায়না পেনচাক সিলাট এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট ৱুসু চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ঃ
চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২৭তগী মার্চ ১ফাওবা ইম্ফালদা লৈবা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ১৮শুবা জুনিয়র অমসুং সব–জুনিয়র ষ্টেট ৱুসু চেম্পিয়সিপ পাঙথোক্লগনি।

ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরদা এফিলিয়েট তৌরবা য়ুনিটশিংনা সেনিয়র, জুনিয়র অমদি সব–জুনিয়র গী শান্নরোইশিংগী রেন্যুএল রেজিষ্ট্রেসন অমদি এজ ইষ্টিমেসন সার্টিফিকেটকা লোয়ননা ফেব্রুৱারি তাং ১০ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়না ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী ৱাই ব্রোজেন সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না খঙহল্লক্লি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*